# ন্যুক্লিয়র সিক্যুরিটি সমিত য়াওননবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি য়ু এসতা থুংখ্রে



*ৱাশিংতনদা নুমিৎ নিনিগী ন্যুক্লিয়র সেফতি সমিত য়াওননা থুংলখিবা নরেন্দ্র মোদি এয়ারপোর্টতা ওকখিবা*

*ন্যু দিল্লি, মার্চ ৩১ঃ*

ন্যুক্লিয়র খূৎলায় অমসুং মচাকশিংদা শীংনরকপগী মতাংদা লৈবাক ৫০গী মীহুৎশিং শরুক য়াদুনা খন্নগদবা নুমিৎ নিনিগী ওইবা ন্যুক্লিয়র সিক্যুরিটি সমিত শরুক য়ান্ননবগীদমক প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি ৱাশিংতনদা ঙসি অয়ুক অঙনবদা থুংখ্রে

নুমিৎ নিনিগী ৱাশিংতন খোঙচৎ অদুদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মালেমগী তোঙান-তোঙানবা লুচিংবশিং অমদি য়ু এসকী প্রসিদেন্ট বরাক ওবামাগা ৱারী শান্নবা থৌরাং তৌরি।

মীফম অদুদা প্রাইম মিনিষ্টরনা ন্যুক্লিয়র খূৎলায় অশোয় অঙাম থোকহন্দনা ঙাক শেন্নবগী মতাংদা ৱা ঙাংগনি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ইং ২০১৪দা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইরকখ্রবা মতুং য়ু এসতা চৎপা হন্দক্কী অসিনা অহুমশুবা খোঙচৎনি। অদুগা ৱাশিংতনদা থুংবনা অনীশুবনি।

ইং ২০১৪গী সপ্টেম্বর থাদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা য়ু এসতা চৎতুনা প্রসিদেন্ট বরাক ওবামাগা হ্বাইট হাউসতা উন্নখি। অনীশুবা মহাক্কী খোঙচৎতা ন্যুয়োক অমসুং সিলিকোন ভেল্লিদা থুংখি।

ঙসি লুচিংবা অদুনা ৱাশিংতনদা থুংলবা মতুং পাঙথোক্কদবা থবকশিংগী চপ চাবা ৱারোল ফোঙদোরক্কগনি। প্রাইম মিনিষ্টরনা ঙসিদগী হৌনা লৈবাক অদুদা লুচিংবা কয়াগা উন্নগনি। লৈবাক অনীগী ওইবা ৱাফমতা নত্তনা ষ্টেট কম্যুনিটি লুচিংবশিংগসু উন্নখি।

লৈবাক অদুগী সাইন্টিসশিং অমসুং মকোক থোংবা এক্সিক্যুটিবশিংগা উন্নদুনা মালেমগী ওইনা মতেং পীন্নবগী মতাংদা ৱারী শাগনি হায়রি। হয়েং প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ন্যুজিলেন্দগী প্রাইম মিনিষ্টর জেনকেরিগসু উন্নবা থৌরাং তৌরি।

লোয়ননা লেজর ইন্টর্ফেরোমিটর গ্রেবিটেস্নেল-ৱেফ ওবজার্বেটরি (এল আই জি ও)গী সাইন্টিসশিংগসু উন্নগনি। প্রাইম মিনিষ্টরগী খোঙচৎ অদুদা অমেরিকাদা লৈবা ইন্দিয়া মচা অমসুং অমেরিকাগী মীচমশিংগা উন্ননবগী থৌশিলদি লৈত্রি।

ইন্দিয়াদগী হৌখিবা অদুগা হৌজিক্কা অমেরিকাগী সিটিজেন মীওই কয়া লৈবাক অদুদা লৈরি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি নুমিদাংৱাইরম হ্বাইট হাউসতা লৈবাক অদুগী প্রসিদেন্ট বরাক ওবামাগা চাকলেন অমা চামিন্নগনি।

মোদি অমসুং ওবামা মীফম অদুগী মতাইদা লৈবাক অনীগী ওইবা ৱারী শান্নগনি হায়নসু লাউথোকখি। লুচিংবা অনীনা মথংগী নুমিৎ নিনিদা উন্নদুনা খুদোংচাবা কয়া পীননবা ৱারী শান্নগনি হায়রি।

ন্যুক্লিয়র টেরোরিজমগী ৱাফম লাকপনা ন্যুক্লিয়র খূৎলায়শিং ঙাক শেনবদা অচৌবা শীংনবা অমা লাক্লিবা অদু মীফম অদুনা খন্নগনি। লৈবাক কয়াগী লুচিংবশিংনা মালেমগী ওইনা ন্যুক্লিয়র সিক্যুরিটিগী লমদা হেন্না ফবা থবক পায়খৎনবা খন্নগনি। মরু ওইনা ননষ্টেট এক্টরশিংনা ন্যুক্লিয়রগী মচাকশিং য়ুহনখিদনবা মরু ওইনা থবক পায়খৎপা তঙাইফদে হায়রি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হায়, ন্যুক্লিয়র খূৎলায়শিং চেকশিন্না ঙাক শেনবা তঙাইফদে। মহাক হৌজিক বেলজিয়ম, য়ু এস অমসুং সাউদি অরাবিয়াগী খোঙচৎতা লৈরি।

জোইন্ট সেক্রেটরী (দিসআর্মামেন্ট এন্দ ইন্টর্নেসনল সিক্যুরিটি এফিয়ার্স) অমন্দিপ সিং হগিলনা হায়, মীফম অদুদা ইন্দিয়ানা লৈবাক অসিদা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিংগী প্রোগ্রেস রিপোর্ট অইবা চেরোল পীদুনা খঙহনগনি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা ন্যুক্লিয়র সিক্যুরিটিগী লমদা অহেনবা থবক পায়খৎনবা অমসুং মরু ওইবা হিরমশিংগী মতাংদা ৱা ঙাংগনি হায়রি।

মীফম অদুদা লৈবাক অসিনা ন্যুক্লিয়র টেরোরিজমনা শীংনরক্লিবা কয়াগী মতাংদা অৱাংবা থাক্তা মীয়ামদা পাক শন্না খঙহন্নবা থবক পায়খৎকদবনি হায়বা ৱাফমসু পুথোক্কনি হায়রি।

মালেমগী ওইনা টেরোরিষ্টশিংনা ন্যুক্লিয়র ট্রফিকরশিংগী মথক্তা থবক পায়খৎনবা মতেং পীনবা অমদি হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহনবা দরকার ওই হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোক্কনি হায়না গিলনা ফোঙদোরক্লি।

# থাইলেন্দদা বোম পোকখায়বদা অমা শীরে মীওই কয়া অশোক অপন নংহনখ্রে



*থাইলেন্দগী পট্টানিদা বোম পোকখায়খ্রবা মতুং সিক্যুসিরিট ফোর্সনা য়েংশিনবা*

*পট্টানি (থাইলেন্দ), মার্চ ৩১ঃ*

থাইলেন্দদা বোম মথং মথং পোকখায়বদা মীওই অমা লৈখিদ্রে। অদুগা কয়ানা অশোক অপন নংখ্রে হায়না থাইলেন্দ মিলিটরিগী পাউ অমনা ফোঙদোরক্লি।

হৌখিবা য়ুমশকৈশা অমসুং ঙসি থাইলেন্দগী পট্টানিগী মনুং চনবা মুস্লিমশিংনা নম্না খুন্দবা অমসুং মালেসিয়াগা লোন্নবা ঙমখৈ পরিংদা বোম পোকখায়খি।

লমদম অদুদা ইং ২০০৪দা কিনিংঙাই ওইবা কাংলূপকী হিংশা থোকখিবা লৈখি। থৌদোক অদুদা বুদ্ধিস লম্বোইবা, ওঝা, লান্মী অমসুং তোখায় তানিংবা মীওই কয়া য়াওনা পুন্না মীওই ৬৫০০ শীহনখি।

য়ারিং দিষ্ট্রিক্টকী পট্টানিদা বোম ১০ পোকখায়বদা বেঙ্ক অমগী মেছিন অকায় অতোয় থোকহনবদতা নত্তনা পুলিস পার্সোনেল ১১ অশোক অপন নংখি। শম শেম্বগী দুকান অমগী মমাঙদা পোকখায়রকখিবা বোম অমনা মীচম অমা শীহনখি।

ওইরক্লিবা ফিভম অসিনা মিলিটেন্টশিং লমদম অদুদা এক্টিব ওইনা লৈ হায়বা তাক্লে হায়না ইন্টর্নেল সিক্যুরিটি ওপরেসন কম্মান্দগী ৱাঙাংলোই য়ুথানম ফেতামুৱাংনা ফোঙদোরক্লি।

হৌজিক ফাওবদা বোম পোকখায়হনখিবগী থৌদোক অদু করম্বা কাংলূপনা চথখিবনো হায়বা ক্লেম তৌরকপা লৈত্রি। জনুৱারি থাদা মিলিটরি অমসুং কনফ্লিক এনলাইসিসনা থাদোকখিবদা লৈবাক অদুগী খা থংবা শরুক্তা হিংশাগী থৌদোক থোকপগী চাং হন্থরক্লে। মদু সিক্যুরিটিনা অকনবা চেকশিন থৌরাং পায়খৎপদগীনি হায়রি।

বোম পোকখায়খ্রবা মতুং নোংমৈ কাপ্পগী মখোল কয়া তাখি। খা থংবা লৈবাক অদুগী শরুকশিংদা লৈবা মীচমশিংগা মখোয়বু বেঙ্কোকনা থৌশাবিদ্রে হায়না ক্লেম তৌরক্লি।

লৈঙাক অদুনা লৈবাক অদুদা হিংশাগী থৌদোকশিং থিংবা ঙমদ্রে। চহী কয়াগী মমাদা মালে মুস্লিম সুলটানশিংগী লৈবাক থাইলেন্দদা নমদুনা তিনশিনখিবা লৈখি।

ইং ২০১৪দা লান্মীনা লৈঙাক অদু খুদুম চনখিবা মতুং চহী অমগী মনুংদা মিলিটরিনা লমদম অদুগী মিলিটেন্টশিংদা শন্তিগী ৱারী শান্নবা ৱাফম পুখৎখিবা লৈখি হায়রি।

# নাইজেরিগী খা নোংপোক থংবা শরুক্তা বোকো হরারমনা লান্মী ৬ হাৎখ্রে

*মিয়ামী, মার্চ ৩১ঃ*

নাইজেরিয়াগী খা নোংপোক থংবা শরুক্তা বোকো হরামনা এটেক চখরকপদা নাইজেরিয়া লান্মী ৬ হাৎখ্রে। অদুগা অহুম্না অশোক অপন নংখ্রে হায়না লৈবাক অদুগী ইন্টিরিয়র মিনিষ্ট্রিনা রিদিও নাইজেরিয়াদা ফোঙদোকখ্রে।

য়ুমশাকৈশা নুমিৎকী অয়ুক পুং ৬ রোম তাবদা দিফা লমদমদা পেট্রোলিং চৎপা লান্মীগা বোকো হরাম টেরোরিষ্টশিংগা এন্থুস তৌদুনা লান্মীগী মীওইশিং অদু হাৎখিবনি।

দিফা হায়রিবা মফম অদু নাইজেরিয়াগী কোনুংদগী কিলোমিটর ২০ রোম চৎলগা লৈবা মফম অমনি। লৈবাক অদুগী লান্মীনা পায়খৎখিবা কাউন্টর ওফেন্সিপ থৌশিলনা মরম ওইরগা বোকো হরামদা নিংহন্নবা কয়া ফোওহনখি।

ইং ২০০৯দগী নাইজেরিয়াগী অৱাং নোংপোক থংবা অমসুং অতৈ মফম কয়াদা বোকো হরাম লিংখৎতুনা ইরাং থোকখ্রবা মতুং লৈবাক অদুদা মীওই মিল্লিয়ন ২.৬ শীহনখ্রে। অদুগা মীওই মিল্লিয়ন কয়ানা ময়ুম মকৈ থাদোক্তুনা লাঞ্জেন্নখ্রে।

লৈঙাক্কী লান্মীনা অকনবা থবক পায়খৎতুনা বোকো হরামনা খুদুম চন্দুনা লৈরম্লবা মফম কয়া অকুক হন্না লৌশিনবা ঙমখি। হৌজিক লৈবাক অদুদা তং তাদবা ফিভম অমা মায়োক্নরি।

নাইজেরিয়াগী লান্মীশিং অমদি চাট, কেমেরুন, নাইজর অমসুং বেনিনগী লান্মী কয়া লৈবাক অদুদা ইস্লামিষ্ট মিলিটেন্টশিং থেংননবা থাজিল্লক্লি।

বোকো হরামনা ইং ২০০৯দগী লৈঙাক্কী মায়োক্তা খোঙজং চংশিল্লকখিবনা মরম ওইরগা মরাল লৈজদ্রবা মীওই লিশিং ১৭ শীহনখ্রে। অদুগা মীওই মিল্লিয়ন কয়ানা লাঞ্জেনখ্রে।

হৌজিকসু লমদম অদুদা খূৎথোক্লবা লেপত্রি। লাল অদুনা মরম ওইরগা মীচমশিংদা কা হেন্না অৱাবা নংহল্লে হায়রি।

**REGISTRATION CERTIFICATE LOST**

I have lost my Registration Certificate of B.A 2014 bearing Roll No. 141730621 issued by M.U on my way in between Heirok and Thangal Bazar on 21st March, 2016.

Finders are requested to handover the same to the undersigned.

**Khundrakpam Deibaki Devi**
D/o Kh. Juge Singh
Heirok Bazar

SL/Bill/1

**OFFICE OF THE SUB-DEPUTY, COLLECTOR KUMBI**

**NOTICE OF MUTATION**

Mutation Case No. 389/SDC Kumbi/29/03/2016

Notice অসিনা মরম ওইরগা Patta No. 986, Dag No. 5426 লমগী একর 0.280 অসি নামা ওনজরগে হায়না applicant শিংনা হায়জরক্লে। হায়রিবা লম অসি লৈখিদ্রবা (১) ৱাহেংবম হৈগোয় সিংহ, (২) ঐ মুনাল সিংহ, (৩) ঐ হৈতোম্বা সিংহ, (৪) ঐ থামা সিংহ, (৫) ঐ তোম্বা সিংহ সাং কুম্বি থোং লৈকায়দা লৈবা লমশিং অসিগী (১) শ্রীৱাহেংবম চন্দ্র সিংহ (২) ঐ সুরচন্দ্র সিংহ (৩) ঐ লেখচন্দ্র সিংহ অসিদা নামা ওনবদা য়েৎনিংবা মীওইশিংনা ঙসি তাং ৩১।০৩।২০১৬দগী নুমিৎ মরিনি হায়বদি তাং ০৩।০৪।২০১৬ ফাওবা অসিদা য়েৎনিংবশিংনা য়েৎলক্তবা তারগদি উক্ত applicantশিং অসিদা নামা ওনখিবদা S.D.C. Kumbi ঐনা অয়াবা পীখ্রগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Kumbi

SL/433/1

# ইটালিগী নর্স অমনা পিয়োমবিনোদা মীওই ১৩ হাৎখ্রে

*রোম, মার্চ ৩১ঃ*

ইটালিগী নর্স অমনা অনাবা মীওই ১৩ হাৎখি হায়বগী চিংনবা লৈবগা লোয়ননা কিল্লর ওন ৱার্দকী মখাদা কেস লৌখৎখ্রে হায়না পুলিসকী পাউ অমনা ফোঙদোরকখ্রে।

নর্স নুপী অদু টুস্কানিগী পিয়োবিনো হায়না খঙনবা অপিকপা সমুদ্র খোঙবালগী সহর অমদা লৈবা হোস্পিটাল অমগী এন্সেথেসিয়া অমসুং ইন্টেন্সিপ কিয়র য়ুনিটতা থবক তৌবনি।

অনাবশিং অদু ইং ২০১৪ অমসুং ২০১৫দা অনাবশিংদা কাপ্লিবা দ্রিপতা দ্রগ য়ানশিন্দুনা হাৎখিবনি হায়না ইটালিয়ান মেদিয়ানা ফোঙদোরক্লি।

পুলিসকী পাউদা চীংনবা কয়া লৈবদগী থা খরগী মমাঙদগী য়েংশিন্দুনা লাকখি। অন্সা ন্যুজ এজেন্সিনা ফোঙদোরকপদা চহী ৫৫শুরবী নর্স অদু ইং ১৯৮০দগী টস্কানিদা লৈরকখিবনি। মহাক য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ইটালিগী এন এন এ এস পুলিস য়ুনিটতা ফারে। লৈখিদ্রবা মীওইশিং অদু অহল ওইরবা অমসুং লায়না মখল কয়ানা থা কয়া নারক্লবা মীওইশিংনি।

ইটালিদা হন্দক্কী থৌদোক অসিদা নত্তনা মমাঙদা নর্স অমসু অদুগুম্বা কেস চেন্নবদগী জেলদা লৈখ্রবনি। দেনিলে পোগ্গিয়ালি (৪৪)না চহী ৭৮শুরবা অহল ওইরবা মীওই অমদা মী শীহনবা য়াবা পোটাসিয়ম ক্লোরাইট কাপশিন্দুনা ইটালিগী অৱাং নোংপোক থংবা রবেনাদা লৈবা হোস্পিটালদা হাৎখিবগী মরাল থেংনখি। মহাক্লা অতোপ্পা অনাবা কয়াশিং হাৎলমগনি হায়বগী চিংনবা লৈ হায়রি।

*সনা-সুদোকু- ৫৫০ গী সোল্যুস*

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 7 | 2 | 3 | 1 | 4 | 5 | 6 | 8 | 9 |
| 8 | 9 | 4 | 6 | 2 | 3 | 1 | 5 | 7 |
| 6 | 5 | 1 | 7 | 8 | 9 | 2 | 4 | 3 |
| 5 | 1 | 8 | 4 | 9 | 2 | 3 | 7 | 6 |
| 3 | 6 | 2 | 8 | 1 | 7 | 5 | 9 | 4 |
| 9 | 4 | 7 | 5 | 3 | 6 | 8 | 2 | 1 |
| 1 | 3 | 5 | 9 | 7 | 8 | 4 | 6 | 2 |
| 2 | 8 | 9 | 3 | 6 | 4 | 7 | 1 | 5 |
| 4 | 7 | 6 | 2 | 5 | 1 | 9 | 3 | 8 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating .any numbers*

**Hard Sana Suduku-551**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 7 | | 2 | | | | 6 | 9 | 3 |
| 8 | | | | | 2 | | | |
| | 1 | 4 | | 6 | | | | |
| | | 7 | 5 | 9 | | | 8 | 1 |
| 5 | | 8 | | | | | | |
| 1 | | | | 8 | | 2 | 5 | 4 |
| 2 | | | | | 3 | | | 8 |
| | | 5 | | 2 | | | | |
| | 9 | 6 | 8 | 1 | | 5 | | 2 |

# অফবা মরী লৈনবনা বঙ্গলাদেশতগী মীওই কয়া চঙশিল্লকপা থিংবা ঙমগনি ঃ সুসমা স্বরাজ



*এক্সটর্নেল এফিয়ার্স মিনিষ্টর সুসমা স্বরাজ*

*মোরিগাও, মার্চ ৩১ঃ*

বঙ্গলাদেশকা লৈবাক অসিগা লৈনরিবা মরী অফবা ওইদে। হৌজিক ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি)না ঙমখৈ লান্না চংশিল্লকপগী ৱাফম লৈবাক অসিগী সিক্যুরিটিগী ওইবা হিরম অমা ওইবনা ৱাথোক অদু লোইশিন্নবা হোৎনগনি হায়না ঙসি এক্সটর্নেল এফিয়ার্স মিনিষ্টর সুসমা স্বরাজনা মোরিগাওদা ফোঙদোকখ্রে

বঙ্গলাদেশকা অফবা মরী লৈনদে। অদুম ওইনমক ৱাথোক অদু তং তানা লোইশিন্নবা ৱারোইশিন অমা পুরকপগী খুদোংচাবা লৌননবা হোৎনগনি। অসামগী ষ্টেট এসেমব্লী মীখলগা মরী লৈননা মোরিগাওদা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা লুচিংবী অদুনা মখা তানা হায়, অতোপ্পা লৈবাকশিংদগী চঙশিল্লকপা হায়বদু লৈবাক অসিগী সিক্যুরিটিগী ওইবা ৱাফমনি। হিরম অসিদা ভোট ফংননবা রাজনিতি তৌবা লৈতে। অদুগুম্বা হিরম অদুগী তং তাবা ৱারোইশিন শোইদনা পুরক্কনি হায়খি।

মীওই কয়া চঙশিল্লকপগী ৱাফম অদু অসামদা মতম কয়াগী মমাঙদগী মায়োক্লন্দুনা লাক্লবনি। ষ্টেট অদুগী মহৈরোই কয়ানা হিরম অদুগী মতাংদা অকনবা খোঙজংশিং চংশিনখিবসু লৈখ্রে। অদুবু ষ্টেট অদুদা লৈঙাক পায়রিবা কংগ্রেসনা ৱাথোক অদুগী ৱারোইশিন পুরক্লুবগী মতাংদা থৌশাদনা লৈথোক্লি হায়খি।

কংগ্রেসকী ওইনদি মপান লৈবাক্তগী চংশিল্লকপা মীওইশিং অদু মখোয়গী ভোট বেঙ্ক ওইনা রাজনিতি শান্নরি। অদুম ওইনমক বি জে পিগী ওইনদি মদু নেসনেল সিক্যুরিটিগী ওইবা ৱাফমনি হায়না লৌরি। অদুগুম্বা ৱাথোক অদু বি জে পি নত্তনা কনা অমত্তা ৱারোইশিন পুরকপা ঙম্লোই।

ৱাথোক খুদিংমক ৱারী শান্নদুনা লোইশিনবা য়াগনি হায়বগী থাজবা লৈ। মদুগীদমক বঙ্গলাদেশকা ৱারী শান্ননবা হোৎনরি। ইন্দিয়ানা বঙ্গলশেদতা মৈ মেগাৱার্দ ১০০ ত্রিপুরাদগী পলাটানা পাৱর প্রোজেক্টতগী পীরি হায়খি।

অসামদা অতোপ্পা খ্বাইদগী মরু ওইবা খুদোংচাদবা অদুদি শেঙ্গা-থুমজা হায়বসিনি। বি জে পিদি থম্মোয় শেংনা হায়বনি। শেঙ্গা থুমজা লৈবা অমসুং মনুং মপান ফাওনা উবা বি জে পিগী লৈঙাক্কী।

বি জে পিনা লুচিংবা নেসনেল দিমোক্রেটিক এলাইন্স লৈঙাক অসিনা সেন্টরদা শক্তি পায়রকপা মতুং চাওখৎ থৌরাংগীদমক হৌখিবা চহী অনীদা লুপা ক্রোর কয়া কায়থোকখ্রে। ঐখোয়না চাওথোক্লা হায়বা ঙম্মী। বি জে পিগী লৈঙাক্তা শেঙ্গা-থুমজাগী কেস অমত্তা লৈতে। পার্টি অদুনা ঙসিসু হায়রি অসামদা পার্টি অসিনা লৈঙাক পায়রবদি শেঙ্গা-থুমজা লৈতবা লৈঙাক অমা ওইহনগনি।

সেন্টরনা অসামদা তোয়না থোক্লিবা ঈচাও লাকশিন্নবগীদমক টুরেল শম্নহন্নবগী থবক পায়খৎলি। অদুগা লৈবাক অসিগী অতোপ্পা মফম কয়াদনা ঈকংগী অৱাবা মায়োক্লরি। হিরম খুদিংমক লাকশিন্নবা হোৎনরি হায়খি।

# ইং ১৯৪৫গী এরোপ্লেন কায়বদা সুবাস চন্দ্র শীখিদে



*সুবাস চন্দ্র বোস*

*হায়দ্রবাদ, মার্চ ৩১ঃ*

মোদি লৈঙাক্না নৌনা দিক্লাসিফাইট তৌখিবা ফাইলদা ইন্দিয়াগী ফ্রিদম ফাইটর নেতাজি সুবাস চন্দ্র বোস ইং ১৯৪৫গী আগষ্ট ১৮দা টাইৱানদা এরোপ্লেন কায়বদা লৈখিদ্রে হায়না লাউথোকখিবা লৈখি।

ফাইল নম্বর ৮৭০/১১/পি/১৬/৯২/পোলদা নেতাজি সুবাস চন্দ্র শীরে হায়না লাউথোকখিবা লৈখি। হায়রিবা ফাইলশিং অদু ৱেষ্ট বেঙ্গলগী গভর্নরগী ফাইলদা য়াওরমখিবনি। রেদিওদা অহানবা ওইনা ইং ১৯৪৫গী দিসেম্বর ২৬তা সুবাস চন্দ্র বোসকা মরী লৈনবা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি।

মতম অদুদা মহাক মালেমগী শক্তিঃ লৈবা অচৌবা লৈবাক অমদা চংজফম লৌদুনা লৈ হায়না ফোঙদোরকখিবা লৈখ্রে। অদুম ওইনমক মহাক্কী থম্মোয়দি ইন্দিয়াগীদমক মৈ হৌনা চাক্লি।

অহুমশুবা পৃথিবীগী লাঞ্জাওগী মতুংদা মহাক ইন্দিয়াদা লাক্কনি। মতম অদুদা রেদ ফোর্টতা মহাক্কী মীওইশিংগী মরক্তা য়াওগনি হায়না রেদিওনা ফোঙদোকখি।

ইং ১৯৪৬গী জনুৱারি ১দা শন্দোরকখিবা রেদিও ব্রোদকাষ্টকী অনীশুবা শরুক্তা চহী ২গী মনুংদা নিংখা তম্বা ফংগদবনি। বৃটিস লোইলম শন্দোকপশিং মরাই চাইথখ্রে। মদুনা মরম ওইরগা ইন্দিয়া নিংতম্বা ফংলগনি।

নন ভাওলেন্সনা ইন্দিয়াবু নিং তমহনবা ঙম্লোই। মদুনা মরম ওইরগা মহত্মা গান্ধিগী ইকায় খুম্ননিংঙাই ওইবা খোঙজং অদুদগী মহাক লাপথোকখিবনি। অহুমশুবা রেদিওদা শন্দোরকপা ইং ১৯৪৬গী ফেব্রুৱারিগী থৌরমদা সুবাস চন্দ্র বোসনা জয় হিন হায়না লাউরকখি। মদু ইন্দিয়াগী মীয়ামদা জপাননা সরেন্দর তৌখ্রবা মতুং অহুমশুবা ওইনা ফোঙদোরকখিবা ৱাফমনি।

মতম অদুদা ইংলেন্দগী প্রাইম মিনিষ্টরনা পেতথিক লোরেন্স অমসুং অতোপ্পা মীওই অনী ইন্দিয়াদা ওইরিবা ফিভম য়েংশিন্নবা থাখি লোয়ননা ইন্দিয়াগী ঈ চুপ্পনবা তং তাবা থৌশিল অমা পায়খৎনবা থৌরাং তৌখি হায়নসু রেদিওদা ফোঙদোরকখিবা লৈখি। ফোঙদোকখ্রবা ফাইলশিং অদুগী মতুং ইন্না ইং ১৯৪৫দা টাইৱানদা এরোপ্লেন কায়বদা নেতাজি সুবাস চন্দ্র বোস শীখিদে হায়বসিনি।

# হিমাচলগী চম্বাদা য়ুহার হাখ্রে

*ন্যু দিল্লি, মার্চ ৩১ঃ*

হিমাচলপ্রদেশকী চম্বাদা রিক্টর স্কেলদা ৩.৮ য়ৌবা পংকন কনদবা য়ুহার হাখ্রে। সেনসেল সেন্টর ফোর সিজমোলোজিনা ফোঙদোরকখিবদা য়ুহার হাখিবা অদুগী ইপিসেন্টর চম্বাগী লৈনুংদা কিলোমিটর ১৫ লুবা মফমদা ওইখি।

ঙসি অয়ুক পুং ৭.৩০ তাবদা পংকন কনদবা য়ুহার অদু হাখিবনি। হিমালয়াগী বেল্ট মরু ওইনা উত্তরখন, হিমাচলপ্রদেশ অমসুং অৱাং নোংপোক্কী লমদমশিং অচৌবা য়ুহার হারকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈবা মফমশিংনি।

নুমিৎ নিনিগী মমাঙদা মণিপুরগী চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টতা ইপিসেন্টর ওইদুনা রিক্টর স্কেলদা ৩.৭ য়ৌবা পংকন কনদবা য়ুহার হাখিবা লৈখি।

মদুতা নত্তনা মণিপুরদা মমাঙ চহীদা অকনবা য়ুহার হাদুনা মীশি মীনা থোকহনখিবা অমসুং লন থুম কয়া মাংহনখিবা লৈখি।

ইন্দিয়ান সব কন্টিনেন্ট প্লেট অমসুং টিবেট প্লেটকা নক্নবনা মরম ওইরগা হিমালয়া চীংশাং পরেংদা লৈবা লমদমশিং য়ুহার তোয়না হাগনবা মফমশিং ওইরি।

হিমালয়াগী চীংশাং পরেংগী মনুংদা লৈবা মফমশিং খুদোংথিনিংঙাই ওইবা অকনবা য়ুহার হাবগী ওইথোকপা লৈবনা থোইদোক হেন্দোক্না চেকশিন্নিংঙাই ওই হায়রি।

# স্কুল ভেন অমসুং কার থেংজিন্নবদা পুলিস পার্সোনেল ৩ শীরে

*লুধিয়ানা, মার্চ ৩১ঃ*

স্কুলগী অঙাংশিং পুবা ভেন অমগা কার অমগা রাইনে খুঙ্গংগী হম্ব্রাম লম্বীদা থেংজিন্নবদা পুলিস পার্সোনেল অহুম শীরে। অদুগা মহৈরোই অনীনা অশোক অপন নংখ্রে। খুদোংথিবা থৌদোক থোক্লিবা মফম অদু লুধিয়ানাদগী কিলোমিটর ২৫ রোম চৎলগা লৈবা মফমনি হায়রি।

লৈখিদ্রবা পার্সোনেলশিং অদুদি এসিষ্টেন সব ইন্সপেক্টর কুলবির সিংহ, কন্সষ্টেবল হিরা সিংহ অমসুং জগদিস সিংহনি। মখোয় লুধিয়ানাদা লৈবা হরিয়ানা হায় কোর্টতা কেস অমগীদমক লাকখিবনি হায়না লুধিয়ানা এস এস পি ওপিন্দর সিংহনা ফোঙদোরক্লি।

মখোয়না তোংলকখিবা কার অদুগী দ্রাইভরনা গারী অদু কন্ট্রোল তৌবা ঙমদবদগী মোটোর সাইকল অমদা অহানবা ওইনা থেংজিল্লবা মতুং স্কুটর অমা থেংজিনখি। মদুগী মতুংদা মহৈরোইশিং পুবা মায়োক্লনা লাকপা স্কুল ভেন অমদা থোমজিনখিবনি হায়রি।

মফম অদুমক্তা পার্সোনেল অনী লৈখিদে। অদুগা অহুমশুবা পার্সোনেল অদুনা হোস্পিটালদা লায়কন্নরবা মতুং অশোকপা অদুনা মরম ওইরগা লৈখিদবনি হায়রি।

